## এডিটোরিয়েল

# শু–নোম্বগী কান্নবা খঙদবা

মতম অমদা মণিপুরগী মীশিং য়ামদ্রিঙৈ, চাথোক্লা মরাং কাইরিঙৈ মতমদা মণিপুরী মচাশিং অসি খ্বায়দগী মরেক মহাও থোক্লা হিংবা মীয়াম হায়বদু ওইরম্বনি। মতমদুদা নিংথৌগী ৱায়েল চৎনরিঙৈ মতমদা লমদমসিগী মীয়ামগী লৈরম্বা শেন্মিৎলোন অদু ঙসিদি য়াম্না চাওনা খেন্নবা অমা লাক্লে। মীশিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা চাবিনবা মীওইনা মশিং হেনবা, পোখোক্লা ৱাৎপা লৈবাক অমা হায়বদু ঙসিদগী চহি খরাগী মমাংদগী ওইদুনা লাক্লবনি। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না শেলগী ভেল্যুদা অনেম অৱাং লাকপগা লোয়ননা লমদম অসি ঙসিদি চিঞাক্তা মীপাল তাংবা লৈবাক অমা হায়বদু ওইরবনি। হায়রিবসিমক ঙসিগী মীরোলনা য়াম্না মুন্না খঙবগা লোয়ননা খন্থবগী মতম ওইরে। ঙসিসু গভর্নমেন্টকী থবক ফংদ্রগদি শেনথোক লম্বী অমা লৈতবগুম খন্নবা ৱাখল্লোল অমা ঙসিগী মীরোলদা লৈবগুম তৌরি। মসি মতম চানা চুমথোকহৌনবা হোৎনদ্রগদি মপাল লমগী শিন্মীশিংনা খ্বায়দগী হেন্না লায়না শেল তানবা য়াবা ষ্টেট অমনি হায়না লৌরিবা অসিদগী হেঞ্জিন্না য়াম্না শোকচিল্লবা কন্দিসন অমদা লাকপা য়াই। মতমদুদা লমদমসিগী মীয়ামগী শেনথোক লম্বী পূম্বা মপালগী শিন্মীশিংনা মুনখিদুনা খ্বায়দগী হেন্না হন্থবা থাক অমা মীয়াম অসি লাকপা য়াই। তৌবগীসু মপাল লমদগী লাকপা শিন্মীশিংনা মখোয়না হিংলিঙৈ মতমদা খ্বায়দগী হেন্না শেল তানবা ঙম্নবা হোৎনরি। খুদম ওইনা হায়রবদা শিন্মী ৩ না খ্বায়দগী মোৎপা থৌওং অমনি হায়না খন্নরিবা টাটা ট্রকতা পুরকপা সিমেন্ট লোদ ৩ ফাওবা নোংমগী মনুংদা হোন্দোক–হোঞ্জিন তৌদুনা অহেনবা শেনথোক তানবা হোৎনবা মতমদা মণিপুরগী শিন্মীশিংনা হায়রিবা মশিং অদুগা চপ মান্নবদা সিমেন্ট লোদ অমা হোন্থবা হায়বসি ঙমদবগী ফিবম অমদা লৈরি। মসিগী মথক্তা শিনফম খনবগী মওং অমসু ঐখোয়গী মীরোল অসিদা অদুমক উরি। মসিগী খ্বায়দগী শেনথোক লৈবা ষ্টেট অমা ওইনা শিন্মীশিংনা লৌনরিবা মফম অসিদা ষ্টেট মশাগী শিন্মী থোক্লকত্তবনি হায়না লৌবা তাবনি। হুমাং মমলনা পৈশা তানবগী হৈনবী অসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না হন্থবা থাক অমদা লৈবগুম উই। মীওই কয়া অমা ঙসি ইম্ফালগী মফম কয়াদা থবক শুনবা শিন্মী ওইনা চোংথোরক্লবসু অয়াম্বা শেনথোক লৈতবা মীওই কয়া অমা থবক শুবগী শিনফমদা চঙশিল্লকপা ঙমদনা লৈরি। ৱাদনা নুংঙাইবা পাম্বগী হৈনবী অসি লৈরিবমখৈ লাইরবগী পনখৈ অসি নোংমগী অদুমক হেনগৎলক্কনি হায়বসি ঙসিগী মীরোলনা খঙবা চুম্লে। মৈতৈ মচা হায়রগা খঙনরিবসি শিনফম খুদিংমক্তা য়াম্না অথুবা মতমদা হৈনবা ঙম্বা অমসুং হেন্না ফজবা মওংদা পুথোকপা মীওই কাঙলুপ অমা ওইনা মীয়াম্না অদুমক লৌনরিবনি। লমদমসিগী মীরোলশিংগী হৈশিংবা কয়া অদুমক্তনা আর্ট এন্দ কলচরগী লম অমসুং শান্নখোৎনবগী লমদা হেন্না মাংজিল থাবা ষ্টেট অমা ওইরিবসিনি। হায়রিবা টেলেন্ট অসি অতোপ্পা শিনফম কয়া অমদা শীজিন্নবা মতমদা হেন্না থাক ৱাংবা মখলগী শিনমীশিং শোয়দনা ওইবা ঙমগনি অমসুং মদুনা মরম ওইরগা মপান লমদা চৎখিগদবা শেনফম কয়া অমা কনবা ঙম্বগী মথক্তা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী শিন্মীৎলোন্দা হেন্না থাক ৱাংখৎহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ঙসিসু অদুমক লৈরি। মায়কৈ অশোমদা হৌগৎলক্লিবা মণিপুরগী নহারোলশিংনা মীৎয়েং চংদুনা শেন্দাল লম্বী কয়া অমা থিবগা লোয়ননা মপান লমদগী চংলকপা শিন্মীশিংনা লৌখিগদবা শেনফমশিং অদু লমদমসিদা লৈহৌনবা হোৎনবা মথৌ তাই। শিনফম খন্দুনা লৈরিবমখৈ অমদি ৱার্ক কলচরগী থাক অসি ৱাখৎহনবা ঙমদ্রিবমখৈ লমদমসিগী শেনমীৎলোন ফগৎহনবা ওইথোক্তে হায়বসি খন্থবা মথৌ তারে। তোঙান– তোঙানবা শিনফম কয়াদা ঙসিগী নহারোলশিং চংশিন্দুনা লৌ–শিংউগী লমদা অমসুং অতৈ এন্টরপেনরশিংদা পুক্লিং চঙশিল্লকপা অসি মশিং য়ামদ্রগসু হেন্না পুক্লিং থৌগৎপা অমসুং মখোয়গী মতুং ইন্দুনা শিনফম অমদা তান্নবগী মহুত্তা অতোপ–অতোপ্পা তঙাইফদবা শিনফমশিংদা গ্রুপ কয়া শেমগত্তুনা থবক শুবগী হৈনবী লৈহন্দুনা মশা–মশাগী শেনথোক লম্বী থিবা য়াম্না তঙাইফদবা অমা ওইরবনি। করিগুম্বা হৌগৎলক্লিবা মণিপুরগী নহারোলশিংনা ৱার্ক কলচর অসি মপুং ফানা লৈবা তারগদি অতোপ লমদগী লাকপা শিন্মীশিংনা মফমসিদা শেন্দান লম্বী থিবগী মতিক নত্তে হায়বসি খঙমিন্নবা মথৌ তারে। লাইরিক লাইশু হৈবা মীওইনা মশিং য়াম্না লৈরবা ষ্টেট অসিদা মতমগা চুন্নবা মখলগী শিনফম কয়া অমদা খোঙদারকপা মতমদা লমদম অসি হেন্না চাওখৎপা মফম অমা শোয়দনা ওইবা ঙমগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লবদি ফগনি

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

লমদমসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা অপুনবা প্লেটফোর্ম অমদা ৱার্ক তৌমিন্নরগনি হায়বা ৱাফম অমা হন্দক পাউচেশিংদা ফোঙলকপা থেংনখি। ৱাফমসিমক তশেংনা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লবদি ওর্গনাইজেসনশিংগী অচৌবা এচিবমেন্ট অমা ওইরগনি খঞ্জে।

মণিপুর, ইতিহাসতগী হৌনা পুনশিনবা ৱারবা খুন্নাই অমা ওইদুনা লাক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লেই। ঙসি ফাওবা লমদমসিদা লৈরিবা লুপ অমদি ওর্গনাইজেসনশিং মত মান্ননা চৎমিন্নৱা নৎত্রগা অনি থোক্তবা য়াওব্রা হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা ৱাফমনি। তঞ্জা অসিদা সি এস ওশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থবক তৌমিন্নরগনি হায়রকপসি খুন্নাই অসিগী ওইনা লাইবক্তা অরংবা থৱান মীচাক ধূর্ব–তারা থোক্লকপগুম্বনি।

লমজিংবীনবা লৈত্রবা, দেমোক্রেসি চৎচরবসু মীচঙ শঙ্গ লৈবা অকনবশিংনা অচুম্বা শক্লবা মণিপুরগী সমাজ অসিদা পুনশিল্লকপগী শক্তি অমা উরকপা হায়বসি অদুক্কি মতিক শিংথা নিঙাই ওই। চীন খক্তদা নত্তনা ৱাফম অসি থবক ওইনা উখোরকপা মীয়াম পুম্নমক্লা খৌরাংনা ঙাইরমগনি নিংজে। ঈশ্বরনা থবক ওইনা পাঙথোকপগী থৌনাদু মরী লৈনবা খুদিংমক্তা পীবীবা ওইসনু।

*অদোমগী,*

**সনাতোম্বা খুমন,** চরাংপাৎ

# ইম্ফাল সাইখুল লম্বী পাকথোক্লবা লৈঙাক্কী ফিরেপ

(লীচৎকী মিয়েংদা)

**খন্নসি–নৈনসি–২৯১**

**ৱাই চীঙ্খৈ ঙানবা লুৱাং**

লৈঙাক অমগী মথৌদি য়ামখরে, পনবা ঙম্বা নত্তে। লৈপাক অমসুং লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা শেমগৎ–শাগৎপসু লোয়বা নাইবা নত্তে। শেম্ন–শেম্না শেমগদবনা অসুম হেল্লকইবনি। তৌবদবু অরোইবা অমা নাইনা, লৈঙাক্লা শেমগৎ–শাগৎপিবদি লৈবাক মীয়ামগী পামজবনি। পাম্মী হায়দুনসু, ষ্টেট অসিগী মীয়াম লাক্ষ ২৭–২৮ অসিগী মনিং থুহনবসু ঙম্বদি নত্তে। মীৎয়েং অসিদা য়েংলগা লৈঙাকসু, চহী ১০০ গী মতুংদা ওইরক্কদবা ফিবম য়েংনা থবক তৌবা চুমগনি খল্লি। ঙসিমক লানচাক চাবগুম লোইশিল্লগা নোংঙানবা নংদনা তৌখায়–থুগাইবগী চৎনবী লৈবগুম তৌরি হায়দবা য়ারোই। লম্বী পাকথোক্লবা লম ককপদা অমুক্তদা ককপগী মহুত্তা, মচিৎ–মচিৎ, নুমিৎ খরনিগী নৎত্রগা থাগী কক্তবা য়াদবগুম তৌবা মীয়াম্না উনরি। য়ুম্নাম লৈকায়, কৈশাম্পাৎ, ৱাহেং লৈকায়, শগোবন্দ নচিংবা মফমশিংদা, লম্বী পাকথোক্লবা, তেল্লবা মতমগী মনুংদা হঞ্জিন–হঞ্জিন, মচিৎ–মচিৎ লম লৌশিন্নবা, বিল্ডীং শঙ্গু অমা, থেঙখাং নাইনা থুগাইখিবা লৈখরে। মসিদা য়ুম্বুরেংশিংদা মতিক চাবা শেল পীরগসু লৈফম চাফম–তৌফম খঙদনা ঙাওচেন্নখিবদুদা ইমুং কয়া অমা অৱাবা মায়োক্লখিবদু মীয়াম্না কাওনদ্রিবনি। মসি অফবা থৌওং অমদি ওইফম থোক্তে। মসিমক তুংগী লম্বী উদবা লৈঙাকপশিংগী লৈঙাক্লোলনা ওইহল্লিবনি হায়দবা য়ারোই। মীৎয়েং অসি লৈবনা লৈঙাকপশিংনা তুংগী লম্বী য়েংলগা থবক লৌখৎপীবা চুমগনি খল্লি।

ঙসি অমুক লম্বী পাকথোক্লবা ‘ইম্ফাল সাইখুল লম্বী’গী নাক য়েত্তা য়ুন্লিংলিবশিংদা লম লৌশিনবগী লাংফম–দশা থুংলরে। নাক–য়েৎ য়ুমলিংবা অমদি ষ্টেট লেন্দগা তাইনবা মফমশিংদি, নাক–য়েৎ তঙ্খাই য়েন্নবা অমদি খাশ–লেন্দদা তকশিনবা য়াবনা খরমখৈ শাফরি। মসি নত্তবা তুরেল খোঙবান অমসুং লৌফমগা তাইনবা মফমশিংদদি লৈরাই অমসুং লৌফম শোকপা য়াদবনা, য়ুম লিংনরিবা মায়গৈদা পুন্না ককপা তারি। হান্নগী লম্বীগী তঙ্খাই লৌরগা ফুট ১০০ য়ৌনবা কক্কনি হায়বা তা–নদুনা, লম্বীগা তাইনবা ইমুংশিং খোইরেল মশা পান্নরি। খ্বায়দগী হেন্না খুদোং থীরিবদি হিঙ্গোল ওইনা লেপ্পা য়াদবশিং অসিনি। মশিং য়াল্লবা ইমুংশিংনা করি তৌবা তারি? ঙসিগী ৱাহং ওইরি।

মতাং অসি নৈননিংঙাই ওইরি। মীৎয়েং অমদা, লম্বী পাকথোকহনবসি ষ্টেট মীয়াম পূম্নমক্কী অফবা অমনি হায়দবা য়ারোই। অফবগী শরুকসি লৈফম লৈররোইদবা খরা অসিগী শরুকসু য়াওরিবনি, অদুবু লৈফম লৈত্রবশিং অদুনা, মখোয়দা শরুক থুংবিরিবা নুংঙাইবদুগী চন্নফম লৈখিগদ্রা। মীওই কয়া অমনা হায়রি–ষ্টেট অসিগী মীয়াম পূম্নমক ফননবা তৌবদা নখোয় খুজোক অমগী অমাংবা য়েংদুনা তৌদবা তাব্রা? মসিসূ কনা অমনা চুম্মী হায়নগনি। মীরমচৎ–মোরেলিটিদা য়েংলগদি – মখোয় খুজোক অদুসু ষ্টেট মীয়াম মশিং থাবদা য়াওরিবা মীওই ঙাক্তনি, মীয়ামসিনা ফংলিবা পূম্নমক মখোয়সু ফংফম থোকই হায়বসিনি। অমসু লান্দে, অমসু চুম্মী হায়বা ফৈদু ওইরি। করি তৌবা তাই? লম্বী অমদি থিদবা য়াদবা লৈরি।

মাঙদা ঙসি ওইরক্লিবসি য়েংলগা, ষ্টেট লৈঙাক অমা লিংলি হায়বগী ৱাখল ষ্টেট মীয়ামদা মাঙশিল্লকপগুম, মীয়াম লৈঙাক্কী থাজবা হন্থরক্লিঙাই ওইরগদ্রা খল্লি। মসিমক অফবা অমদি ওইরোই। লৈঙাক হায়বসি মীয়াম্বু য়াইফনবগীদমক মীয়াম্না লিংলিবনি, অসিগুম্বা লৈঙাক্লা হৌজিক্তমক উবা, হয়েং উবা ফংদবা থৌদৌ মতম শাংনা তৌরকপা, লৈবাক মীয়ামগী খন্দবা, মীয়াম্বু মান্ননা য়েংবা ঙমদবা হায়বসি মালেম চৎনরোলগী ৱাংমদনি হায়দবা য়ারোই। ফরে হৌখিবা পূম্নমক হৌখ্রসনু, ঙসিদগী অনৌবা পন্দুপ অমা হাংদোকপীনবা হঙ্গচ্চনিংই।

ইম্ফাল সাইখুল লম্বী পাকথোক্লবা থৌরাং অসিদগী তুংগী মীৎয়েং খরা শাংনা য়েংবিনবা হায়জনিংই। ফরে লম লৌশিনবী থবক অসি য়াম্না শাংনা লৌশিনবা হৌখরে, লেমহৌরিবা শরুকশিংসু লৌশিন্দবা য়াদবা লৈরি। থেঙ্গাং নাইনা, মচিৎ–মচিৎ, হঞ্জিন–হঞ্জিন লম লৌশিন্দুনা, য়ুম–কৈ থুদেক–থুগাইবা নত্তনা কক্লিঙৈদা পুল্লব কক্লবা তৌবিয়ু। ঙসি মচেৎ অমা, খরমুক লৈরগা মচিৎ ওইনা য়ুম থুগাইবা লেপ্পীয়ু।

ষ্টেট মীয়াম লাক্ষ ২৭–২৮ রোম অসিগী নুংঙাইনবা লম্বী পাকথোকহনবা–শেমবা হায়বসি লৈঙাক অমগী তৌফম থোকপনি। তৌবদবু, মীওই খুজোক অমতা ওইরসু, মখোয়বুসু অফবা–অপাকপা লম্বী চচ্চবা ফংজবগী নুংঙাইবদু ফংহন্নবা হোৎনবা তাই। অচুম্বা তৌফম থোকপশিং অসি তৌদুনা, ষ্টেট মীয়াম পুন্না নুংঙাইমিন্নবা লম্বী থিবা তঙাই ফদবা লৈ। লম্বী অদুদি, লম্বী পাকথোকপদা লৈফম লৈররোইদবা ইমুংবু, মতিক চাবা মমল শেল পীবিবদা, ইমুংশিং অদুগী লৈফম হান্না পীফম থোকই। ঙসি লম লৈনদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি কোকহন্নবা লম্বী থিবা চঙই। মীৎয়েং অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা লম্বী লৈতে হায়নিংবিগনি। মসিমক্তি মীৎয়েং শান্দবা ওইগনি লম্বী লৈ। মতেক অমত্তং পঞ্জগে, ষ্টেট অসিনা হৌরকপা মতমদা চীংগী শরুক্লা ৯, তমগী শরুক্লা অমা ওইবা, নিংতম্না ৱান নেসন কন্ত্রী ওইনা লাকখি। খাঙমুথক্তা লোইলম শন্দোকপা বৃটিসশিংনা থোঙদারকপা মতমদা, লমহুই লৌশিং তৌদুনা, ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লী হায়বগুম, লমসিগী নিংথৌগা মরূপ শান্নশিল্লগা, মখোয়গী লমদনফম মচেৎ অমা লৌখি। লৌশিংশিংবা হেনখিবনা শরৌ–লাং থাক্তুনা লৈবাক মীয়াম থুখি। ফম্বা চল্লবদা হিপ্পা চন্নবা, লৈপাক অসিবু চীং অমসুং তম হায়দুনা অনি থোক্লা শেত্তৎখি। তমদা মীতোপ লীচৎ হিন্দু ধর্ম্মা লৌহন্নবা পরম (পোলিসি) য়াৎখি, চীংদা খৃষ্টান ধর্ম্ম চৎহন্নবা লৌ তৌখি। বৃটিস স্পাই সন্তিদাস গোষাই, চীংদনা পেটিগ্রু সাহেব ধর্ম্মগী লুচিংবা ওইনা থারকখিবনি। লুচিংবা অনিনা চীংবুরোই–তম্বুরোই অনিবু ধর্ম্ম না খুৎলাই ওইদুনা খাইবুংনহনখি। মচিল–মনাউ ওইবা চীংবু–তম্বুরোই অনিগী নুংশিং–লিপুন ফোয়দত্তুনা য়েংথীনহনখি। খুদোং চাবসি নান্থোকহন্দনা বৃটিসনা লৈপাক অসিগী লেন্দ লো শেমদুনা চৎনহনখি। ‘এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট’ হায়না খঙনখি। এক্ট অসিনা, তম্পাক্তা তাবা মীশিং পূম্নমক্তগী য়াম্বা কাঙলুপ, লৈবাক মচাসু তাবা, তম্বুরোই–মীতৈবু, চীংগী লমদা ইঞ্চি ১ গী মপু ওইবা য়াহন্দে, চীংবুরোই–মীতৈ ফুরূপ মচা ২৯ বুনা, চীং অমসুং তমগী লম মফম পূম্নমক্তা লম মপু ওইবা য়াহল্লম্মী। বৃটিসকী শরৌ–লাং (ডিভাইভ এন্দ রুল) দা থুদুনা মথেং ফংনা পঙথখি। বৃটিসনা থাদোকপীরম্বা মতুং অমুক হন্না নিংথৌ লৈঙাক লিংবদা নত্তনা, খৃষ্ট চহী ১৯৪৮ দা মীয়াম লৈঙাক লিংদুনা নিংতম্না পানখি। অনম অহা কোক্তবনা, ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা, ভারত (মতমদুদা বৃটিস ইন্দিয়া ওইদুনা লৈরিবা) লৈপাক অসিগী লুচিংবা সর্দার বল্লভ ভাই পাটিলগী নম্ফুদা মর্জ নমতৌ তৌহনখি। অসুম্না ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতমদা ‘পার্ট সী’ ষ্টেটসদা থমদুনা, চীফ কমিস্নার অমগী লৈঙাক মখাদা থম্বিখি। ঙসি ষ্টেট অমনি হায়রিবা ষ্টেট অসি, বৃটিসনা থাদোকখ্রবা মক্তদা, বৃটিসনা চৎনহল্লম্বা ‘এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট’ অদু ইন্দিয়ানা ১৯৬০ দা খুনগত্তুনা চৎনহনখি। এক্ট অসি ঙসিসু চৎনহল্লি। চীংগী লমদা ঙসিসু তম্বী–মীতৈনা লমগী মপু ওইবা য়াহন্দনা থল্লি। ষ্টেট অমগী লেন্দ–লো ষ্টেট মশানা শেমজবা অমদি চৎনবা য়াহল্লি, অদুবু ষ্টেট অসিবুদি অয়াবা পীদনা লৈরি। ষ্টেট লৈঙাক অসিসু য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টকী লীডরশিংগী লাইধি ওইনা লৈবনা কমন লেন্দ–লো শেম্বা ঙমদনা চৎনদনা লৈরি।

ঙসি ষ্টেট অসিগী তম্পাক লম মীনা থল্লে, লৈনবা লম লৈত্রবনি। চীংগী শরুক ৯ চাউবা লম্না মী লৈতদনা উমং–ৱামং ওইনা লমহাং ওইনা মাঙদুনা লৈরি। অসিগুম্বা লমহাংশিং অসি, ষ্টেট কমন লেন্দ–লো, ষ্টেট লৈঙাক্লা শেম্লগা, তম্বুরোই মীতৈবু চীংগী মাঙদুনা লৈরিবা মফমশিংদা খুন্দাহনবা য়াহনগদবনি। মতমদুদা তম্পাক–লমদা লৈফম লৈত্রিবশিংগী অৱাবা অসি কোকহনবা ঙমগনি খল্লি। তৌবদসু ষ্টেট মীয়াম পুন্নমক অমত্তা ওইনা থৌনা পুথোকমিন্নবা চুমই। লৈঙাকপা ষ্টেট লীদরশিংসু থৌনা পুথোক্তুনা মীয়াম্বু লুচিংবিবা চঙই। মসিনা অহানবা লৈঙাক্কী তৌগদবা থৌ ওইহঞ্জনিংই। লৈফম হান্না শেম্লগা, তঙাইফদ্রিবা লম্বী পাকথোকহন্দুনা ষ্টেট মীয়াম নুংঙাইহনবনা মথং থৌরাং ওইনা পায়খৎলবদি, ইন্দিয়ান ষ্টেটশিংগুম্না মায় পাক্লা লেপ্পা ঙমগনি নিংই। লৈফম হান্না শেমখিসি, চনিং তানা লৈরবা তুংদা লম্বী পাকথোকহনসি। হান্না লৈরিবা লম্বী নান্না শেমজিল্লগা খাঙমিন্নবনা হেন্না শাফগনি খল্লি। ‘উচি কল্লক্তুনা য়ুম মৈ থাবা’ গুম্বা মতৌদা থবক চত্থরগদি লৈবাক কাংখোং চাইবা থোক্তুনা লৈঙাকপশিংগী মীংচৎসু লৈররোই, লৈঙাক্কী হোৎনজমনসু ‘উৎতা ঘী হৈবা’ হায়বদু তারগনি। মসিমত্তং নীংশিংমিন্নবা চুমগনি খল্লি, মদুদি – হিঙ্গোল অমগী লমখৈ ঙাকশেনবা অমদি শীজিন্নবগী পরম–পথাপ লৈবা পূম্নমক হিঙ্গোল মপুগী খুত্তা লৈরিবনি। মসিদা য়ুম্লোন্নবনা খুৎ থিঞ্জিনবা য়াবগী হক– রাইট মালেম চৎনরোলনা পীদে। মীত্রৈবাক–মণিপুর ষ্টেটকী লেন্দলৌ ষ্টেট লৈঙাক্লা লেপচগদবনি, ষ্টেট লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী মপুনি কাউফম থোক্তে। মপু ওইবা ষ্টেট লৈঙাক্লা শেম্বা লেন্দ–লো, য়ুনিয়না গভর্নমেন্টনা খুৎ থিজিনফম থোক্তে। লেন্দ–লো শেম্বা ষ্টেটলিষ্টতা লৈফম থোকই, য়ুনিয়ন লিষ্টকী মনুং চনফম থোক্তে। সেন্টরনা খুৎ থিঞ্জিল্লক্লগদি মালেমগী অসুপ্পা ৱায়েন–শঙগী মতেং নিবা চঙব্রা খল্লি। ষ্টেট লৈঙাক ষ্টেট মীয়াম য়াইফহন্নবা লিংলিবনি। মসি নীংশিংবিবা চুম্না খল্লি। য়াইফনবা শেম্বদা মীয়াম চরম শুবগী থৌদৌ থোক্তনবা শীনবিয়ু।

# অচুম্বা লৌশিং ফংহনবদা লাইব্রেরিনা লৌবা থৌদাং

**ডাঃ থৌনাওজম খোমদোন সিংহ**

জগৎ সংসার অসি শেম্লকপদগী লৈরক্লবা নুমিৎ থা, থৱানমিচাক অমসুং খুৎশেমগী মঙাল কয়া অসিগী মথক্তা তোপ–তোপ্পা মীৎনদি উবা ফংদ্রবা মঙাল অমা লৈরি মদুদি লৌশিংগী মঙালনি। লৌশিংগী শক্তিনা মীওইবনা তৌবা ঙম্বা থবক অসি শিংথাদুনা লোইবা নত্তে। লৌশিং লৈত্রবা মীঙোন্দদি সংসারদা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক অরেম্বনি, সংসার অসিমকসু অরেম্বনি হায়না খনগদৌরিবনি। মরম অদুনা থোইদোক– হেন্দোকপা লৌশিং লৈবা মীবু মহাপুরুষ হায়না সমাজনা ইকায় খুম্নৈ। মরম অসিনা মুণি ঋষি কয়ানা ধ্যান তোপ তৌদুনা থোইদোকপা ৱাখলগী লৌশিং ফংননবা হোৎনরিবনি। অসুম্না মশাগী ওইজবা পুম্নমক থোদোক্লবা মহাপুরুষশিং অসিনা তানশিল্লকপা কান্নরবা লৌশিংশিং অদু মতম অমদদি মহাক্কী সেবকশিংদা চিনহায়দা তম্বীরম্মী। ঙক্তে হায়বদি য়ারোই, মীওইবগী লৌশিংগী শক্তিল, মতম অমদদি লৈরম্বা নত্তে মশাগী লোল অমসুং ময়েক অদুবু ঙসিদি লোলগী লোল ঙাক্তা ময়েক্কী ময়েক ঙাক্তা।

খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ চহি ৩০০০ লোমগী মমাংদা সুমেরিয়ানশিংনা ইহান হান্না ময়েক পুথোক্তুনা লৈখোমদা ইবা হৌখি হায়নৈ। মখোয়না লৈখোমদা টেব্লেত্তা ইখিবা GILGAMESH হায়না মিংথোনবা ঈশ্বরনা লৈশেম্লকপগী মতাংদা ইরম্বা লাইরিক অদুনা ঙসি ফাওবদা পৃথিবীগী খ্বায়দগী ইহান হানবা লাইরিক্লি হায়নৈ। অসুম্না পৃথিবীগী মফম কয়াদা মাগী মাগী ময়েক পুথোক্তুনা মানা মানা হৈজবা মওংদা নুংদা, উনাদা, উকুদা, শউন্দা, কোরি–কোম্পাক্তা ইনরম্বগী পাউসু ঐখোয়না তাই। মতৌ অসুম্না ইদুনা শীজিন্নবা য়াবা পোৎ কয়া পুথোক্লরকপগী মনুংদা ইজিপ্তা নাইল তুরেলগী তোর্ব্বান্দা য়াম্না মরাং কাইনা হৌবা, পেপিরস হায়বা পাম্বী অমদগী ইপাক পাকপা মকোল মকোল কোনশিল্লগা লাইরিক্কুম্না থম্বা য়াবা পোৎ অমা পুথোক্তুনা শীজিন্নখিবা অদু শীংথানিংঙাইনি। কনাগুম্বা হৌজিক্কী পেপর হায়রিবা ৱাহৈ অসিমক পেপিরসতগী থোক্লকপনি হায়নবা য়াওই। অদুম ওইনমক পৃথিবীগী খ্বায়দগী ইহান হান্না চে পুথোকখিবা নিপাদি Tsai Lun নি। মহাক্লা খৃষ্টাব্দ ১০৫ দা চিনাদা ইহান হান্না চে পুথোকখি। চে পুথোক্লবগী তুংদা ইবগী চাং অসি অঙকপা ফংনা হেনগৎলকখি। অদুবু খুৎনা ইবনিনা মীওইবনা ফোংদোক্লিংবা ৱাখল কয়াদি ফোঙদোকপা ঙম্লমদে অমসুং লৌশিং শন্দোকপগী খোঙজেল অসি য়াম্না তপ্লম্মী।

খৃষ্টাব্দ ১৪৫৬ তা Johann Gutenberg কৌবা জর্মনি মচা অমনা প্রিন্টিং প্রেস পুথোক্তুনা পৃথিবীগী ওইনা ইহান হানবা বাইবল অমা লমাই অমমমদা পরেং নিফুনিথোই–নিফুনিথোই চনহন্দুনা প্রেসতা নমখি। চহি খরগী মনুংদা ইয়ুরোপ্পা নত্তনা পৃথিবীগী মফম কয়ামরুমদা প্রেস হাংদোক্লরকখি। ১৯ শুবা শটাব্দিগী হৌগৎলকপদগীদি প্রিন্টিং প্রেসতা ইলেকত্রিক শীজিন্নবা হৌদুনা লাইরিক য়াম্না থুনা থুনা নম্বা হৌরকখি। অসুম্না ২০ শুবা শটাব্দিগী ময়াই চল্লকপদগীদি প্রেসতা মেকানিজম কয়া কম্প্যুটরনচিংবা শীজিন্নদুনা ফজ–ফজবা ময়েক্কী ডিজাইনশিং পুথোক্তুনা মীওইবনা তানশিল্লকপা জ্ঞান পুন্নমক অসি ঈশিং ঈচাওগী মতৌগুম্না ফোঙনরক্লে।

১৯ শুবা শটাব্দিদগী হেনগৎলক্লিবা ফোঙবগী চাং অসি কুপ্না পানরবা মতুংদা য়াল্লবদা চহি ১০ গী মনুংদদি হান্না লৈরম্বা লাইরিক্কী চাং অদুগুম্বা অমা অমুক হেনগৎলক্তুনা দবল ওইরকই হায়না পানরম্মী। অদুবু ঙসিগী ২১ শুবা শটাব্দিদদি তোঙান তোঙানবা মেডিয়া শীজিন্নদুনা হেনগৎলক্লিবা মীওইবগী লৌশিংগী চাং অসি চহি ৩–৪ খুদিংগী হান্না লৈজরম্বা লৌশিং অদুগুম্বা অমা অমুক হেনগৎলকই হায়না পানরে। অসুম্না হেনগৎলক্লিবা লাইরিক অমসুং মসিগী মখলশিং অসিদা য়াওরিবা মখল মখাগী লৌশিংশিং অসি মীওই অমতনা লোয়না পাবা অমসুং তাবা ঙম্বগী ৱাফম লৈতে। মরম অদুনা হৌজিক্কী য়ুগ অসি লিটরেচর ইক্সপ্লোজন নৎত্রগা ইনফোর্মেসন ইক্সপ্লোজন হায়না খঙনৈ। ইনফোর্মেসন ইক্সপ্লোজন হায়বা অসি চেকশিনহৌদ্রবদি তোকঙা ওনখিদুনা য়াম্না খুদোং থিংনিংঙাই ওই। মসিনা অরানবা মাইকৈদা লমজিংখিবা থোক্লবদি অরেম্বদা অৱামল মাংবতা নত্তনা মশা ফাওবা মাংগদৌরিবনি। মসিমক মণিপুরদদি য়াম্না তোইনা থোকপা থৌদোকনি। মী য়াল্লগা ৱা য়াম্বা হায়বসিদি মশানা তাজবা ৱাফম্মি। মরম অদুনা অশেংবা লৌশিং ফংনবগীদমক্তা ওইদবা তোকঙাদি নৎত্রগা খঙদনা খঙবা শাবগী থবক্তি থাদোকপা ফৈ। ওইদবা হায়জিনবা কয়াদগী লাপথোক্লবা ঙসিদি উপাই কয়া অমসু খুদম ওইনা রেডিও, টেলিভিজন, খবর, বুক রিভিউ, এবস্ত্রেক্ট অসিনচিংবা থোক্লকইবা অসিনি। অসি পুম্নমক্কীসু মথক্তা ঙসিদি কম্প্যুটরগী মতেংনা অপাম্বা মখলগী ৱাহংগী পাউখুম অমসুং পৃথিবীদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী অশেংবা পাউ লৌবা ইরাই লাইনা ঙম্লে। অসুক থুবা অসুক চাওবা য়াওল অমা পৃথিবী শিনবা থুংনা লাক্লিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি অতৈ অমনা নত্তে মীওইবগী লেপ্তুনা তানশিল্লকপা লৌশিংননি। ঙসিদি মীওইবগী লৌশিংনা রোকেট কয়া শাদুনা থাদা নত্তনা মার্স প্লানেট ফাওবা কাবা ঙম্লে অমসুং সেটেলাইটকী মতেংনা লাইগী নিংথৌ (সোরারেল) গী শক্তম লৌদুনা পৃথিবীগী থৌদোক ৱাথোক, ঈশিং–নুংশিৎকী খোঙচৎ ফাওবা ওন্দুনা মীপুম তিংনা টেলিভিজনগী মতেংনা খঙহনবা ঙম্লে। রোবোট কয়া শাদুনা মীগুম্না থবক তৌহল্লে। অদুনদি লৌশিং হায়বা অসি করম্না চেকশিননা মাংহন তাকহন্দনা থম্লগা মদুগী কান্নবা অদু করম্না মীয়ামদা ফংহনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্না নৈনদুনা য়েংফম থোকই।

মীওইবনা লাইরিক ইবা অমসুং পাবা হৈরকপদগী হৌনা মদুবু মাংহন তাকহন্দনা মীরোন্দা মথং–মথং খঙহনবা য়ানবগীদমক্তা লাইব্রেরিদা থম্বা হৌরকই। মতম অমদদি লাইব্রেরি হায়বসি লাইশঙদা, কোনুংদা অমসুং লনাই ওইনা অকক্লবা মী খরতনা থম্নরম্মী। অদুবু চাওখৎলকপগী মতু ইন্না ঙসিদি লাইরিক তম্ফমশিং, সরকারগী লোইশঙশিং অসিদসু নত্তনা প্রজা পুম্নমক্লা চংদুনা লাইরিক পাবা য়াবা পব্লিক লাইব্রেরিশিংসু মফম শিনবা থুংনা থম্নরক্লে। মতম অমদা লাইরিক্তমক থম্নরম্বা অদুসু ঙসিদি মীওইবনা লৌশিং তানশিনবদা শীজিন্নবা য়াবা পোৎ খুদিংমক খুদম ওইনা জর্নেল, খবর, ঔডিও ভিজুয়েলশিং অমসুং অঙাংগীদমক্তা শান্নপোৎ ফাওবা থম্নরক্লে। লাইব্রেরিগী মরুওইবা পান্দমদি কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা হিরম অমা খঙনিংলকপা নৎত্রগা লাইরিক পানিংলকপদা মদুগী লমজিং–লমতাক পীবা নৎত্রগা লাইরিক পীদুনা পাহনবনি। হৌজিক্কি মতমদদি হিরম অমগী মতাংদা ইবা ডোকুমেন্টশিং অসিসু ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। মখোয় অদু লোয়নমক লৈবা নৎত্রগনা পাবা হায়বসিসু অৱাবগী মশক্লি। মতাং অসিদা মীয়ামগীদমক্তা লাইরিক থম্ফম ওইরিবা লাইব্রেরি অমসুং মীয়ামগী স্বার্থদা থবক তৌরিবা লাইব্রেরিয়ানগী তঙাইফদবা থৌদাং লৈ। মতম অমদদি লাইরিক্কী মশিং অসি য়াম্নদে অমসুং লাইব্রেরিশিংনা মখোয়গী মেম্বরদা য়াম্না কান্নগদবা লাইরিকমখৈ খল্লগা লৈবা ঙম্নরম্মী। ঙসিদি মীওইবদা জ্ঞান পীবা ঙম্বা উপাই অসি য়াল্লক্লবনিনা অদুগীসু মথক্তা অনৌবা ৱাখল্লোনশিং অসি য়াম্না মরাং কায়না শন্দোক্লক্লবনিনা পৃথিবীগী অচৌবা লাইব্রেরি অমতনসু নোংমা–নোংমগী লৌশিং পুকৈদা হাপচিল্লক্লিবা ডোকুমেন্টশিং লৈবা ঙম্লক্ত্রে। মরম অদুনা ঙসিদি লাইব্রেরি অমগা অমগগী মরক্তা লাইরিক পুথোক পুশিন তৌনবা (ইন্ট লাইব্রেরি লোন), ডোকুমেন্ট শরুক য়ামিন্নবা (রিসোর্স সিয়ারিং) মতেং পাংনবা (কো ওপরেসন) কম্প্যুটরগী পাম্বৈনা ইনফোর্মেসন পীনবা (ইন্টরনেট) অসিনচিংবা তৌনদুনা লাইব্রেরিগী খুদোংচাবা অসি মীপুম শিনবা থুংনা ফংহনবগী লম্বীদা খুমাং চাওশিল্লক্লি। হৌখিবা চহি খরদগী মণিপুরগী মরুওইবা লাইব্রেরিশিংদসু খুদম ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি অমসুং রিজনেল মেডিকেল কোলেজ লাইব্রেরিনচিংবা অসিদদি ইন্টর লাইব্রেরি লোলগী খুদোংচবা অসি লৌনদুনা লাক্লি।

কর্সি সুভনিয়র, ২২ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার, ২০১৩

মথং মথং...